আই বি এ ৱিমেন ৱর্ল্ড বোক্সিং

# নিখট জারিননা গোল্ড লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে



ইষ্টানবুল, মে ১৯ (এজেন্সী): টর্কিনা যূম্বু ওইদুনা চথুরিবা আই বি এ ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা শান্নখিবা কেজি ৫২ কাঙলূপকী ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখট জারিননা থাইলেন্দগী জিটপোং জুটামাসপু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

তেলঙ্গনাগী বোক্সর জারিননা মহাক্কী থাই ওপোনেন্টবু খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ফেভরদা জজশিংনা স্কোরিং ৩০-২৭, ২৯-২৮, ২৯-২৮, ৩০-২৭, ২৯-২৮ পীদুনা য়ুনানিমস ভর্দিক্টতা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। জারিননা জুটামাসপু মায়থীবা পীবা অসি অনীরকশুবনি। মহাক্না অহানবা ওইনা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা থাইলেন্দ ওপনদা মায়থীবা পীখিবনি।

২০১৯ এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট জারিনগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন টাইটল লৌবা ইন্দিয়াগী ৫শুবা বোক্সর ওইবা ঙমখ্রে।

জারিনগী গোল্ড মেদল অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা চহী ৪গী মতুং মেরি কোমনা ২০১৮দা কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মতুংদা অহানবনি। হায়দরবাদকী পুজিলিষ্ট অসিনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রাঞ্জা মেমোরিএলদা গোল্ড মেদল ফংখিবগা লোয়ননা চহী অসিদা গোল্ড অনী ফংবা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ওইরি।

পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিগী ২০১৯গী এদিসনগী ওইনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পাঙথোকখিবা ফ্লাইৱেথ কেটেগোরিগী শরুক য়াখিদবনি। কেটেগোরি অসিদা লিজেন্দরি মেরি কোমনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ৮লকশুবা ৱর্ল্ড মেদল ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ১২ না শাবা কন্টিঞ্জেন্টনা শরুক য়াখিবা কম্পিটিসন অসিদা মনিশা মোন অমদি পর্ভিন হূদানা কেজি ৫৭ অমদি ৬৩গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি।

ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখিবা অসি কুমজা ২০০৬তা গোল্ড ৪, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৮ ফংবা অসিনা ওইরি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১০, সিলভর ৮, ব্রোঞ্জ ২১ পূন্না মেদল ৩৯ ফংবা ঙমখ্রে।

সব-জুনিয়র নেসনল ৱিমেন্স হোক্কী

# উত্তর প্রদেশ, হরয়ানা, মধ্য প্রদেশ অমদি ঝরখন্দ সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইষ্টানবুল, মে ১৯ (এজেন্সী): মণিপুরনা যূম্বু ওইদুনা চথুরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা উত্তর প্রদেশ হোক্কী, হোক্কী হরয়ানা, হোক্কী মধ্য প্রদেশ অমদি হোক্কী ঝরখন্দ সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হোক্কী হরয়ানানা হোক্কী মিজোরামবু ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা ক্বার্টরগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা হরয়ানাগী পুজানা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মিজোরামবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা ক্বার্টরগী শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী হরয়ানাগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।



হরয়ানাগী নুপীমচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথুরকপা ওইনা মরিশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা শশি খাসানা শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা রিয়ানা শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা মিজোরামবু ৪-০দা লীদ তৌখি।

মেটচ লোইরমদাই মিজোরামগী লালপেকসংঙিনা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা হরয়ানাগী মখূৎতা ১-৪দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলগী মঙলান কায়খি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা উত্তর প্রদেশ হোক্কীনা হোক্কী চান্দিগরবু ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। হাফ মতুং অহুমশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা উত্তর প্রদেশকী নুপীমচাশিংনা খূদুম চন্না শান্নখি। শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ উত্তর প্রদেশকী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা সুনিতা কুমারীনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং পুস্পাঞ্জলি সোনকরনা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা উত্তর প্রদেশকী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা উত্তর প্রদেশকী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা পুর্ণিমা য়াদবনা গোল ওন্থোক্তুনা চান্দিগরবু ৩-০দা মাংজিল থাখি।

অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবদা উত্তর প্রদেশকী বন্দনা পটেলনা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা পুর্ণিমা য়াদবনা শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা চান্দিগরবু ৫-০দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা হোক্কী মধ্যপ্রদেশনা হোক্কী মহারাষ্ট্রবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু তাহুরনাজনা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা অদুগা গুনগুন কোরনা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংদগী চনবা ঙমখি। মহারাষ্ট্রগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সানিকা চন্দ্রকাননা ফিল্ড গোল অমা শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টরদা হোক্কী ঝরখন্দনা হোক্কী পঞ্জাবপু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঝরখন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নিশা মিঞ্জনা শান্নবগী ১৪ অমদি ৫০শুবা মিনটতা অদুগা বিনিমা ধননা শান্নবগী ২৩ অমদি ৬০শুবা মিনটতা গোল ২/২ অমদি স্বিদি দুংদুংনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি। পঞ্জাবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লাখবির কোরনা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল মেটচশিং থাংজ নুমিৎতা শান্নরগনি।

# মণিপুরনা নেসনল ট্রেদিসনেল রেষ্টলিংদা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস): ছটিশগরনা যূম্বু ওইদুনা রাইপুরগী বুধপারাদা লৈবা বালবির সিংহ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১২দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি অহানবা এ আই দব্লিয়ু পি এফ ফেদরেসন কপ নেসনল ট্রেদিসনেল রেষ্টলিং এন্দ পেনক্রেসন চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরনা গোল্ড ৫০, সিলভর ২২ অমদি ব্রোঞ্জ ১৯ পূন্না মেদল ৯১ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়নগী মনা ফংবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুদি চহী ১০ মখাগী কাঙলূপ্তা এ পুস্পা, এ অমর্জিৎ; চহী ১১ মখাগী কাঙলূপ্তা ৱাই প্রিতি, ঐচ সুমনজিৎ, পি ঐচ রুষ্টম, এ জেক্কিচান্দ, এ প্রিয়াঙ্কা চনু; চহী ১২ মখাগী কাঙলূপ্তা অমোম কাজল চনু; চহী ১৩ মখাগী কাঙলূপ্তা সুশিলা অমোম, ঐচ মনিথোইবা, এল সোনিয়া, এ রাজেশ্বরী চনু, লাইশ্রম মন্দা; চহী ১৪ মখাগী কাঙলূপ্তা দব্লিয়ু ওলিভিয়া, টি ঐচ অঞ্জলি, দব্লিয়ু অচৌবা, ৱাই রিশি, এল অনাও হর্কুলিস, এল লক্কি, এস প্রভিন, কে বিস্বনাথ, মোনিকা, এল য়াইফবা; চহী ১৫ মখাগী কাঙলূপ্তা টি ঐচ বোরিশ; চহী ১৭ মখাগী কাঙলূপ্তা টি ঐচ সঞ্জু, কে জোসেফিয়া, এন য়াইফবা, কে ঐচ লময়ানবা, ৱাই উমাকান্ত, এস ঐচ অমর্জিৎ; সিনিয়র কাঙলূপ্তা এল চিতনবালা, এস লিভিংসন, সেখো ভাইনি, কে চিঙ্খেঙানবা, এল ধনঞ্জয়, টি রোমেন, কে অমজি



´ৎ মৈতৈ অমদি টি অজিৎকুমারনি। ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা টি রিশিকান্ত, এল গোকুলচন্দ্র, এল ইবোপিশক, এস ঐচ রোমি চনু অমদি এন জি হানা নাখুরৌনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ষ্টেট টিম অসিনা ঙসি ইম্ফালদা হেক থুংলবগা ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ময়াই লোইশঙদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো, ভাইস প্রসিদেন্ট কোইজম হেলেন, জেনরেল সেক্রেটরি নোরেন্দ্রো থোকচোম, ৱেথ লিফটিং মশান্নদা ১১রক ইন্টরনেসনল মেদল লৌরকখ্রবী ইন্সপেক্টর লাইশ্রম মোনিকা, ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি চোংথাম ইবোহল, চীফ টেক্নিকেল দিরেক্টর থৌদাম উদয়চান্দ, নেসনল কোচ ডা. হুইদ্রোম রোমেন, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি থোঙাম অপাবী অমদি ইন্টরনেসনল গোল্ড মেদলিষ্ট অঙোম বিনানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা অকিবা অমদি নীংহন্নবা লৈতনা শান্নসি। তাকপী-তম্বীরিবা কোচশিংনসু নীংথিনা তাকপী-তম্বীবা অমদি লমজিংবা তোকপীদনা মালেমগী থাক্তা মেদল কয়া লৌরক্তুনা অপীকপা লমদম অসিগী হেন্না মিংচৎ পুরক্নবা হোৎনসি হায়খি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো ফুটবোল

# টি জি ইংলিশ স্কুল চহী ১৪ অমদি ১৭ মখাগী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট যুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চথুরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ৬১শুবা সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল মেটচশিং ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা টি জি ইংলিশ স্কুল বিষ্ণুপুরনা চহী ১৪ অমদি ১৭ মখাগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টি জি স্কুলনা উৎলৌ হায় স্কুলগা চহী ১৪ মখাগী অদুগা কৈনৌ হায় স্কুলগা চহী ১৭ মখাগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চহী ১৭ মখাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা টি জি স্কুলনা বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে রোহিট, কামৈ লগাংলুং অমদি সুরজ ৱাংখেমনা টি জিগী গোলশিং অদু চনবা ঙমখি। কে ঐচ মংলেম্বনা বিষ্ণুপুর স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা সেমীফাইনেলদা কৈনৌ হায় স্কুলনা পিঞ্জবতি হায় স্কুল ৱাঙুবু টাই ব্রেকতা ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা, চহী ১৪ মখাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা উৎলৌ হায় স্কুলনা পিঞ্জবতি হায় স্কুলবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

উৎলৌগী গোলশিং অদু দব্লিয়ু জেননা ২ অদুগা কে ঐচ অলেক্স অমদি এস ঐচ রোজিৎনা অমমম্ চনবা ঙমখি। পিঞ্জবতিগী গোল অদুনা এম ষ্টেভিন কোমনা চনখি।

অতোপ্পা কাঙলূপ অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেলদা টি জি স্কুলনা জি এন কে ইংলিশ স্কুল থিনুঙ্গৈবু ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ অনিশনা ২, অদুগা ঈ নিপা, ৱাই অর্কেলিশ, এম মনিথোইবা অমদি ঈ নেষ্টনবোইনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচশিং ইরাই নুমিৎতা শান্নরগনি।

লমকাং স্পোর্টস মীট

# খুইবুংনা দামজোল মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস): লমকাং কুরচুকনাও কুনপুন (এল কে কে)না শীন্দুনা অংখেল চয়াং গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৫৬শুবা ওল লমকাং স্পোর্টস মীট ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা খুইবুংনা দামজোলবু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

খুইবুংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ মিশ্রানা শান্নবগী ৪৫ অমদি ৪৯শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা এল ভি অনন্দনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা অমদি এস এন খালথিনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। দামজোলগী গোল অনী অদুনা কে ঐচ রেঙম অমদি কে বাউজনা শান্নবগী ৩৬ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লাইক্টলানা যূম্বু টিম ওইরিবা এল কে কেবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোল অনী অদু কে ঐচ জেমসিং অমদি এস কে এন্থোনিনা শান্নবগী ৪১ অমদি ৪৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা আর এস সীনা লুংখরলোনবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। আর এস সীগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু এস কে জাফেট অমদি কে ঐচ রাকেশনা চনবা ঙমখিবনি।

# আই পি এল ২০২২গী ফাইনেল নুমিদাং পুং ৮দগী হৌরগনি

মুম্বাই, মে ১৯ (এজেন্সী): অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৯গী নুমিদাং পুং ৭.৩০দা আই পি এল ২০২২গী ফাইনেল শান্নগনি তৌরম্বা অদু ক্লোজিং সেরেমোনিনা মরম ওইরগা পুংখায় অমা চোন্থরগা নুমিদাং পুং ৮দগী হৌরগনি।

বি সী সী আইগী সোর্ছ অমনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা ২০১৯গী মতুংদা অহানবা ওইনা বি সী সী আইনা শীন্দুনা আই পি এলগী ক্লোজিং সেরেমোনি পাঙথোক্কদৌরিবা অসি চাওনা গ্রান্দ ফেশনদা পাঙথোকপা পাম্মী হায়খি।

ক্লোজিং সেরেমোনি অসিদা বোলিৱুদকী এক্টর রনবির সিংহ অমদি ম্যুজিক মেষ্ট্রো এ আর রাহমননা পর্ফোর্ম তৌগনি।

পনবা য়াবদি, বি সী সী আইনা চয়োল অমগী মমাংদা ক্লোজিং সেরেমোনি অসিগীদমক ইভেন্ট মেনেজমেন্ট কেম্পনিশিংদা টেন্দর ইনভাইট তৌখিবনি।

# ৬শুবা মণিপুর মরাথোন য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট স্পোর্টস কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৯দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৬শুবা মেন্স ওপন মণিপুর মরাথোন রেস ২০২২ অসি হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসি য়াওনা অৱাং-নোংপোক্কী লমশিংদা নোং কন্না চুবনা ঈচাও থোকপনা মরম ওইরগা চহী অসিগী নভেম্বর ২৭তা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

মরাথোন রেস অসি মোইরাং নরানসেনাদগী হৌদুনা উরিপোক অচোম লৈকাই যুঠ ক্লবতা লোইশিনগদবনি।

ফিরেপ অসি ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মীওইশিং, সী এস ওশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগী পাউতাক লৌরবা মতুং শান্নরোয়শিংনা খূদোংচাগদবা মতম অমদা মরাথোন রেস অসি পাঙথোক্লবা হায়রকপগী মতুংইন্না লৈবাক মীয়ামগী সজেসন কুপ্না খন্নরবা মতুংদা খোঙথাং অসি লৌরকখিবনি অমদি খূদোংচাদবা অসি লৈবাক মীয়াম্না ৱারৌবীদনবা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি জেক্কিচান্দ এস এমনা খঙহল্লক্লি।

# কটার ৱর্ল্ড কপতা অহানবা ওইনা নুপী রেফরি শরুক য়ারগনি


কটার, মে ১৯ (এজেন্সী): চহী অসিগী নভেম্বর ২১দগী দিসেম্বর ১৮ ফাওবা কটারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা অহানবা ওইনা নুপী রেফরিশিংনা মেটচ ওফিসিএট তৌরগনি হায়না স্পোর্টসকী গভর্নিং বোদি ফিফানা শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগীদমক ফিফানা পূন্না রেফরি ৩৬, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৬৯ অমদি ভিদিও মেটচ ওফিসিএট ২৪ খনখি।

ফিফানা খনখিবা নুপী ওফিসলশিং অদুগী মনুংদা রেফরি ওইনা ফ্রান্সকী ষ্টেফেনি ফ্রেপপার্ট, রৱন্দাদগী সালিমা মুকনসংঙা অমদি জপানগী য়োসিমি য়ামাশিতানি। অদুগা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা ব্রাজিলদগী ন্যুজা বেক, মেক্সিকোদগী কেরেন দাইজ মেদিনা অমদি অমেরিকাদগী কেথলিন নেসবিটনি।

ফিফা রেফরি কম্মিটিগী চেয়রমেন পিরলুইগি কোলিনানা ফোঙদোরকপদা, ফিফাগী নুপাগী টুর্নামেন্টশিংদা নুপী রেফরিশিং দিপ্লোয় তৌনবা চহী কয়া চঙনা মতম শাংনা হোৎনরকপা অদু ফংলগনি হায়খি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 458

**GM E Gasanov (2496) - GM I Kovalenko (2644)**
**17th ch-EUR Indiv 2016 Gjakova KOS, 2016.05.15**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Bg5 Be7 | 5.e3 O-O |
| 6.Rc1 Nbd7 | 7.Nf3 h6 | 8.Bh4 dxc4 | 9.Bxc4 a6 | 10.a4 b6 |
| 11.O-O Bb7 | 12.Qe2 Nh5 | 13.Bxe7 Qxe7 | 14.Rfd1 Nhf6 | 15.e4 Rfc8 |
| 16.e5 Nd5 | 17.Nxd5 exd5 | 18.Bd3 Nf8 | 19.Bf5 Rd8 | 20.a5 bxa5 |
| 21.Rc5 Bc8 | 22.Bxc8 Raxc8 | 23.Rxa5 Ne6 | 24.Rxa6 Rb8 | 25.Rc6 Rb4 |
| 26.g3 Rdb8 | 27.Rc2 Qd7 | 28.Rdd2 Qa4 | 29.Kg2 Qa2 | 30.h4 R8b6 |
| 31.Kh2 Qa4 | 32.Kg2 Qd7 | 33.Rc3 Ra4 | 34.Rcc2 Nf4+ | 35.gxf4 Qg4+ |
| 36.Kh2 Rg6 | 37.Ng5 Qxf4+ | 38.Kh3 hxg5 | 39.Qg4 Ra1 | 40.f3 Qe3 |
| 41.h5 f5 | 42.exf6 Rxf6 | 43.Rf2 Rh1+ | 44.Kg3 Rg1+ | 45.Rg2 Rf4 |
| 46.Qc8+ Kh7 | 47.Rcf2 Rh1 | 48.Qxc7 Rg4+ | 49.Kxg4... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 457 Ans. :**

38. Nf5 Rb7 39. Rxb7 The white rook deflects Black's bishop away from protecting the square d7. The white rook trades and lures Black's bishop to the square b7. Bxb7 40. Rd7 Double attack Mating net Bxf3 41. Rg7#Arabian mate
38.Nf5Bb5+39.Kf2Rxa2+40.Kg3
1-0

ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7616/22/4-20/5 (alt)

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET
1st POSITION HOLDER
2nd POSITION HOLDER
ADMISSION OPEN
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START :18th May, 25th May, 30th May 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
TEACHERS WANTED
PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY
M.sc. working in CBSE school
HL-B/7641/12/5-9/7

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 19th May, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Seven Womens' Tailoring & Cutting Centre"** address at Khuyathong Polem Leikai, Imphal West on 16-05-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Khuyathong Polem Leikai**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. (**Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry**)

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/2755/20

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 18th May, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Nawa Leikoiren Foundation"** address as Uripok Polem Leikai, Imphal West on 16-05-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Uripok**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. (**Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry**)

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/2757/20

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com